## GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 25/08/2021**
Valid from 16/08/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940/ 8414824977/8413936705 Call timing 8 am to 12 noon Sunday closed

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 30-08-2021**
VALID FROM 25-08-2021
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 09-10-2021
CONTACT NO - 7005695308, 6009772483

**HIYANGTHANG INDANE.**
**Booking 04-09-21.**
Valid.01-09-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Upto date**
valid from 01-10-21
Home delivery
Contact : 9366471778, 8974087390, 8787632782

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 16/09/2021
**BOOKING UPTO: 17/09/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 24-09-21**
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no.7005013837
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO - 1-09-2021,**
VALID FROM 26-08-2021,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 22/09/2021**
Valid from 05/09/2021

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
**Booking upto 05/10/2021**
Valid from 03/08/21
Time 8:00 to 10:00 a.m
Call only enquiry & Complete No 9436039984
Time 7:30 to 10:30
A) 6033989480 Naoriya Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481 Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482 Thongju , Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery
Home Delivery Driver contact no.
A) Tokeyo 9362777834
B) Bikram 9362777835
C) Sunder 9362777836
D) Narendra 9362777838
E) Soman 9362777840


# আধার কার্দ শাবদা চেন্নবা ১ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফাগৎখিবা ম্যান্মার মচাশিংনা শীজিন্নরম্বা অশাবা আধার কার্দশিং শেম শাবদা চেন্নবনি হায়বা মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ খুনৌ লৈকায়দগী অর্বিন্দ লালজাম লোভা (৩০) অপোকপা লালপিয়াংগা কৌবা মীওই অমা মোরে পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

# 'অৱায়বা মপু'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) : বোনিয়ম অমসুং সোনিয়া শমজেৎশাবমনা মপূং ওইবা রোল লৌগদৌরিবা অনৌবা মণিপুরী ফিল্ম 'অৱায়বা মপু' গী থৌনি থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দগী হোটেল কাসলদা পাঙথোকখ্রে। ফিল্ম অসিগী সিনেমাটোগ্রাফি অমসুং এদিটরনা বি বি সুরজিৎনি অদুগা ম্যাজিক দিরেক্টরনা সোরি সেঞ্জমনি।

হোম ফিল্মস মণিপুরগী বেনর মখাদা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিগী য়াইফ থৌনি থৌরমদা শরুক য়াখিবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন রাজমোহোননা ফিল্ম হায়বসি থম্মোয়দা এদ্যুকেসন পীবনি। এদ্যুকেসন য়াওদবা ফিল্মদি পুথোকপীদবনা ফৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# বি জে পি প্রসিদেন্ট নদ্দা ঙসি লাক্কদৌরি...

*লামায় ১গী মখা...* শেম-শারিবশিংসু ঙসি নুমীদাংৱাইরম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাগী ইম্ফাল খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা ঙসি মোইরাং এ সীগী এক্স-এম এল এ, এম পৃথিবীরাজ বি জে পিদা য়াওখ্রে। বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা এক্স-এম এল এ অসিবু তরাম্না ওকখ্রে।

ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, বি জে পি মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. শম্বিট পাত্রা, মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্র অমসুং বি জে পিগী মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংদুনা ষ্টেট অসিদা অমুক হন্না বি জে পিগী লৈঙাক লাক্কনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোভিদকী ৱানরিঙৈ চৈরক্তা অতেনবা মতমগী মনুংদা কোভিদকী ভেক্সিন পুথোকখিবা অসিমক মালেমগী মীয়াম্না শীংথানরিবনি। লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েং পাম্নবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা থাজবা থমদুনা নোংম-নোংমগী মীওই কয়া পার্টি অসিদা চঙলক্লি। ঙসি মোইরাং এ সীগী হান্নগী এক্স-এম এল এ পৃথিবীরাজনা পার্টি অসিবু থাজদুনা নৌনা য়াওরকপা থাগৎলি। মখা তানসু পার্টি অসিদা মীওই কয়া চঙলকখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হৌজিক মোইরাং এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ ওইরিবা পি শরতচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ঙসি বি জে পিদা চোঙশিল্লকখ্রবা এম পৃথিবীরাজনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৬ ওফ২০১৭ অদুগা লোয়ননা পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস ৯গী মখা তাবা ৱায়েল চথুনবগীদমক মেট্টরশিং অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগা কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ২দগী হৌরগা ১১ ফাওবগী মনুংদা লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা এম পৃথিবীরাজনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস/ইলেক্সন পিটিসনশিংগী মনুংদগী নম্বর ৫ ওফ ২০১৮ অমসুং ২৬ ওফ ২০১৭কী মতাংদা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা মহাক্কী ওইবা মেট্টরশিং অসিগা মরী লৈনবা আর্গ্যুমেন্টশিং কোর্টতা সবমিট তৌবা হৌখি। অদুবু এদিসনেল এ জিগী মায়কৈদগী মেট্টরশিং অসিগা মরী লৈননা সবমিট তৌগদবা আর্গ্যুমেন্টগী শরুকশিং ঙসিগী ওইনা লোইশিনবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা এম পৃথিবীরাজগী মায়কৈদগী চথুরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা মহাক্কী মায়কৈদগী ওইবা আর্গ্যুমেন্টশিং হায় কোর্টতা সবমিট তৌবগী থবক থা অসিগী ৬তা মপূং ফানা লোইশিনখ্রবনি। ইলেক্সন পিটিসন অসিদা পি শরতচন্দ্রবু কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ ওইনা খল্লে হায়খিবা রিটর্নিং ওফিসরগী ওর্দর/রিজল্ট অদুবু এম পৃথিবীরাজনা তোঙান তোঙানবা মরমশিং পীরদুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.690569 |
| US Dollar | 74.946982 |
| British Pound | 102.095902 |
| Australian Dollar | 54.758333 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.623938 |
| Japanese Yen | 0.670223 |
| Malaysian Ringgit | 17.930890 |
| Singapore Dollar | 55.288962 |
| South Korean Won | 0.062724 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.985862 |
| Thai Baht | 2.215808 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46323.00 |
| Mumbai | – | Rs | 46700.00 |
| Delhi | – | Rs | 46550.00 |
| Kolkata | – | Rs | 46705.00 |

# কোভিদনা ৬ লৈখিদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ৬ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৮৮২ শুরে। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১২৮ (নুপা ৬৮, নুপী ৬০) নৌনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনখিবগা লোয়ননা ঙসিগী ওইনা মীওই ১৯১ দিসচার্জ তৌখি।

ঙসিগী অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২১,৭০৬ শুরে। এক্টিভ কেসকী মশীংনা ১,৬৮৩ লৈবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.০৭নি। অদুগা ঙরাং মীওই ৪২৮৯ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং ১৭,৫৩,৭৯৪ (অহানবা দোজ - ১২,২৯,৪৬ অমসুং অনীশুবা দোজ - ৫,২৪,৩৩২) শুরে হায়রি।

# মীওই ১২ জেলদা থাজিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* তৌখ্রে।

শিংজমৈ পি এসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবা মীওইশিং অদু মমাঙ থাগী ৩০দা দেল্লী তম্না পাইগদবা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা অশাবা আধার কার্দশিং শীজিন্নদুনা তোংননবা হোৎনরম্বদগী ফাগৎখিবা ম্যান্মারগী মীওইশিংনি। অদুগা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবা অদুনা মহাবলি মমাঙ (পেলেস কম্পাউন্দ) দগী মোইরাংথেম ওংবী পিশক (৫৭) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এম বিনোদকুমারনি।

মহাক্না লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক কোর্পোরেসন লিমিটেদতা সুপরভাইজর হাপ্পীগনি হায়দুনা নমথাক তৌরগা য়াল্লবা শেনফমশিং লৌরম্বগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থেঙ্খাং অনীরক থল্লকখিবনি।

# তমেংলোংগী দি সী ১সুং...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী ৬তা থোকখিবা ওর্দর অমদা অবোনমাই মীহাৎকী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগা লৈঙাকগগী মরক্তা থা অসিগী ৬তা য়ানখিবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংনা ইনক্বারি ওফিসর ওইনা থিজিল্লগনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ইনক্বারি ওফিসর অসিনা অথুৱান অবোনমাই হাৎখিবা থৌদোক অদু থোকহনখিবগী অচুম্বা মরমশিং থিদোকপা, থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিং ফিক্স তৌবা অমসুং অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোরকহন্দনবগীদমক করি করম্বা মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বগী রিপোর্ট পীখৎলক্কনি। হায়রিবা রিপোর্টশিং অসি হোম দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ৬তা ওর্দর থোক্লিবা অসিদগী পারগা থা ৩গী মনুংদা ইনক্বারি ওফিসর অসিনা পীখৎলক্কদবনি। লোয়ননা চথুগদৌরিবা ইনক্বারি অসি নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না চথুবা ইনভেষ্টিগেসনদগী ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা চথুগনি অমসুং ইনক্বারি ওফিসরনা ফংলকপা রিপোর্টশিং এন আই এদা সবমিট তৌগনি হায়রি।

# বি জে পিনা মীখল ময়াদা দ্রামা...

*লামায় ১গী মখা...*এম ঐচ টি কার্দশিং ফংফম থোকপশিংদদি ফংদবা য়ারোই। ষ্টেট অসিনা ভোট ময়া নকশিল্লক্লবনিনা সী এম ঐচ টি কার্দ শারগা ভোট লেপনীংবা ৱার্করশিংনা দ্রামা তৌবা হৌরক্লবনি। মখোয়গী দ্রামাগী লাংদা মীয়াম থুবীগনু হায়খি।

১১শুবা মণিপুর এসেম্বলি মীখল মতুংদগী শুগুনুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লেপ্তুনা মীয়াম্না মহাকপু নুংশিবীদুনা পূন্না চৎমিন্নগনি হায়দুনা চঙলকখিবা অপূনবা ভোটর ৬৩৭০ শুরে হায়রদুনা লাক্কদৌরিবা মীখলদদি শুংশোয় শোয়দনা য়াম্না ৱাংনা মায় পাক্কনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শুগুনু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ নিমাইচন্দ্র, দিষ্ট্রিক্ট ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ মনিহল, ৬- ৱাঙু জেদ পিগী মেম্বর নোমিনি এম রোমেন, ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হান্নগী চ্যেরপসর্ন কে ঐচ বাবু, ৱাঙু জি পিগী প্রধান এল সরত এলিয়জ তোনা মীতৈ, সেরৌ জি পিগী প্রধান নাওবিচা অমদি অতৈ মরু ওইবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

# এন আই এনা মীওই ...

*লামায় ১গী মখা...* দিপাআনন্দ (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কে নন্দলাল, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবশিংগী মথক্তা কেস অসিবু রেজিষ্টর তৌবদা য়াওখিবা আই পি সীগী সেক্সন ১২১, ১২১ (এ), ১২৩, ১২৪ (এ), ১৫৩ (এ) অমসুং ৫০৫ (বি) অদুদি লৌথোক্লগা য়াওহল্লকখিদে।

অদুম ওইনমক এন আই এগী মায়কৈদগী লৌথোরক্তুনা এক্যুইজ নি হায়রিবা মীওই মঙাসিগী মথক্তা চার্জ তৌরক্ত্রবা সেক্সনশিং অসিনা হায়রিবনা ১২১ (ৱেজিং, ওর এটেম্পটিং টু ৱেজ ৱার, ওর এবেটিং ৱেজিং ওফ ৱার, এগেনষ্ট দি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া), ১২১-এ (কন্সপিরেসি টু কম্মিট ওফেন্সেস পনিসেবল বাই সেক্সন ১২১), ১২৩ (কন্সিলিং ৱিথ ইনটেন্ট টু ফেসিলিটেদ দিজাইন টু ৱেজ ৱার), ১২৪ (এ) (সিদিসন), ১৫৩ (এ) (প্রোমোটিং এনমিটি বিত্যুইন দিফরেন্ট গ্রুপস ওন গ্রাউন্দস ওফ রিলিজন, রেস, প্লেস ওফ বর্থ, রেসিদেন্স, লেংগ্বেজ এক্সত্রা এন্দ দুয়িং এক্স প্রিজুদিসল টু মেন্টিনেন্স ওফ হারমোনি), ৫০৫ (বি) (ষ্টেটমেন্টস কন্দ্যুসিং টু পব্লিক মিসচিফ) হায়বগী চার্জশিং অসিনি।

অদুগা মার্চ ২৪, ২০২১দা কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দরদা এন আই এগী মায়কৈদগী সবমিট তৌরক্লিবা চার্জশীট অসি ওফিসল ওইনা লৌশিল্লে হায়বগা লোয়ননা চার্জশীট অসিদা এক্যুইজ শিংনি হায়দুনা মরাল শীরক্লিবা মীওই মঙাগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ বি, ৪২০ অমসুং য়ু এ (পি) এক্টকী সেক্সন ১৩ অমসুং ১৭কী মখাদা কোকনিজেন্স লৌরে হায়খি।

হৌজিক কোর্ট অসিদা কেস অসিগী ৱায়েলদা মরী লৈনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিংগী প্রোসিদিংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি।

# বি জে পি লৈঙাক্কী পোলিসি মুহমদ বিন তুঘলককী...

*লামায় ১গী মখা...*ওন্থোকখি। অসিগুম্বা ওন্থোক-ওনশিনগী থবকশিং অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মখা তানা চৎথরি। ঐহাক্না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফালগী চরোইবুংদা লৈরিবা দাইট সেন্টরগী মতাংদসু লান্না শন্দোকখিবা অদুগী মতাংদসু শেংদোকখিবনি। ইনৌ নৌনা দাইরেক্টরেট ওফ এস সী ই আর টি লম্ফেল পাৎ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ওর্দর অমা থোকখি। ওর্দর অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈরিবা দাইট সেন্টরগী বিল্ডিং অসি কন্সট্রক্সন তৌবগী দিজ াইন অসি হোংদোক্কনি হায়রি। দাইট সেন্টর অসি শান্নবগী সোইল টেষ্ট তৌবগী থবকসু অমত্তা উদ্রি। লোয়ননা ওর্দর অসিদা সেলেক্তেদ সাইট হায়না পল্লিবা অসি কদাইদা লৈবনো, বিল্ডিংনা কদাইদা লৈ, শাবা হৌরব্রা অমদি সর্ভেনা করম্বা মতমদা তৌখিবগে। মসিগী দিটেল ওইবা ব্লু প্রিন্ট অমা পুথোকপিয়ু হায়না গভর্ণমেন্টদা আপিল তৌজরি হায়খি।

মীয়াম্না ময়াং ইম্ফাল এ সী অসি মীহুৎ লৈতবগুম উরে। হীরম অসিগী মতাংদা এ সী অসিগী এম এল এদা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীদবরা নৎত্রগা মশানা খঙনা-খঙনা য়ানরগা তৌরিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। দাইট সেন্টর অসি হোংখ্রে হায়রবসু কদাইদা হোংলিবনো হায়বসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনসু চপচানা খঙহনবিদ্রি। দাইট সেন্টর অসিগী মতাংদা থোকখিবা ওর্দর অদুদা সেলেক্তেদ সাইট হায়না পল্লিবা অসিনা সেন্টর অসি অতোপ্পা মফম অমদা হোংখ্রে হায়বদি চপচানা তাক্লে। করিগুম্বা মসিনা চুম্বা তারবদি চীফ মিনিষ্টর অমদি মরি লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা ময়াং ইম্ফালগী মীয়ামবু মীরাইবিরে হায়বনি। লোয়ননা ময়াং ইম্ফালগী মীহুৎ লৈত্রে হায়বগা পাঙ্খক ওইরে হায়বদা লাল্লোই। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ময়াং ইম্ফালগী এম এল এনা রেসপোন্সিবিলিটি লৌবগা লোইননা এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌগদবনি। বি জে পিগী লৈঙাক, বি জে পিগী মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা তৌরিবা অমদি চৎথরিবা থৌওংশিং অসিদি ১৪শুবা চহী চাদা পাল্লম্বা সুলতান মুহমদ বিন তুঘলকনা শীজিন্নরম্বা পোলিসিগা চপ মান্নরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। সুলতান মুহমদ বিন তুঘলকনা দেল্লিদা কেপিটেল ওইরিবা অসি দৌলাতবাদতা হোংগনি হায়দুনা লৈজরম্বা শেনফমশিং মদুদা শীজিন্নখি। অদুগা অদুগুম্বা পোলিসি প্রোগ্রাম অদুসু মপুংফানা ফেল ওইখি। অদুগুম্বা সুলতান অদুগী পোলিসি অদুগা বি জে পি লৈঙাক অমদি বি জে পিগী মিনিষ্টরশিংগী পোলিসিগা চপ মান্নরে।

মতৌ অসুম্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফালদা শাগনি হায়না থৌরাংলম্বা দাইট সেন্টর অদু ঐখোয়না খনবদা লমশাংগী মফম অমদা শাগদবা মাল্লি। ওইথোকপা য়াইরোইদবা অমদি তৌরোইদবা থবক অমনি। হান্নগী গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলম্বা পোলিসি প্রোগ্রাম অমা ওইরগসু নৌনা লাকপা গভর্ণমেন্ট অদুনা হোংদোক-হোংজিন তৌদনা মখা তানা পোলিসি প্রোগ্রাম অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি। মিনিষ্টর অমনা পায়খৎলম্বা থবক মিনিষ্টর অমনসু মখা তানা প্রোগ্রাম অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবা থবক চৎথগদবনি। গভর্ণমেন্ট হায়বসি কন্টিন্যুৱস প্রোসেস অমনি। লৈঙাক হায়বসিদি মতম-মতমগী পার্টি অমনা হেক্তা ওইবা য়াই। অতোপ্পা চীফ মিনিষ্টর অমা লাকপদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অদুনা মণিপুরগী কেপিটেল ইম্ফাল হৈঙাংদা পুরগে হায়বা য়ারোই। মরমদি অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর অমদি লৈঙাক কয়া লাক্কনি অমদি চৎখিগনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা য়াম্না মরম চাদবা পোলিসি প্রোগ্রামশিং অসি থাদোকপীয়ু। হীরম অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবিদুনা দাইট সেন্টর অতোপ্পা মফম অমদা শাখিগদৌরিবা অসি লেপহনবিয়ু হায়না আপিল তৌজরি। করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রগদি মীয়ামগা লোয়ননা ইহৌ হৌরক্লবগী মরম অমা ওইগনি। অসিগুম্বা ময়াং ইম্ফালগী মীয়াম্না ইহৌ হৌরক্তনবা হোৎনবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# প্রিপাক্কী ৪৪শুবা মপোক কুমওনদা ইন্টরিম কাউন্সিলগী চ্যেরমেননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল ...

*লামায় ১গী মখা...* মীয়াম্না মীখল তৌরগা খল্লকপা মীহুৎনা শেম্বা মতমদুগী নেসনল লেজিসলেচর অদু মুথৎলগা কংলৈপাকপু লৌশিনখিবদগী ইরৈবাক্না ঙসি শিরুম-নারুম হিংলিবা অসি অচৌবা অহোংবশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগুম্না লমদম অসিগী মীয়াম নীংখা তম্না হিংবা পাম্মী হায়বসিদি লমদম অসিদা হৌরিবা নীংতম ঈহৌ অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মসি কনানসু নমথদুনা থম্বা ঙম্লোই। মরমদি মীওইবা হায়বসি নীংতম্বগা থাদোক্লবা য়াদে। ৱাফম অসি মালেমগী শক্লাইরবা মীওইশিংনা চহীচা কয়াগী মমাঙদগী হায়রল্লবা অমসুং চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফমনি । অদুবু অহোংবা কয়াগী মনুংদা হোংদবা অমা ওইরিবা মীওইবগী নীংতম্বা অসিদা মালেমগী হোংলক্লিবা অচৌবা অহোংবনা, নীংতম্বদগী পোৎচাক্না পীবা নুংঙাইবনা হেন্না লুম্না লৌহনবগী ৱাখল্লোন অমদি শন্দোরক্লি। শাফু অসি কংলৈপাক্কী মীয়ামদসু থেংনরি। মসিগী য়াল্লবা মীওইশিংনা খূৎপু-খূৎপু শেমগৎতুনা, পোৎচাক্না পীবা নুংঙাইবনা অরোইবনি খন্দুনা লৈরিবা ফীভম অসিদা নুংঙাইবা ঙল্লগা লোইরে হায়দুনা শিবা কিদনা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনরি । মদু পূম্নমক ওইদুনসু নীং-খা তম্নীংবগী চেষ্টরক্লিবা ঈচেলদা নীংতম্না শান্ননীংবগী ঈফুৎ অদুদি মাঙড্রি। পান্দম অসি ফংবদি মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গল অমসুং কথোকপদা লৈরে। মসি ফংনবা হোৎনবদা লমদম অসি মায়কৈ খুদিংমক্তগী মশক মুন্না খঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, পামহৈবা নিংথৌগী মায় পাকখিদ্রবা কলচরেল রেভল্যুসন মতুংদগী কংলৈপাক্কী পুৱারীদা অচৌবা-অহোংবা লাকখি হায়বসি পুৱারী নৈনবা পূম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। কংলৈপাক্কী লৈঙাকলোনগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মশক থীবা তাঙ্কক অমখক্তি লৈঙাকপশিংগী মরক্তগী খরদি মীতোপ্তা তাংলগা লৈবাক ঙাকপগী হৈনবী অমা লৈখিবা অসিনি। মসি কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা লৌশিনখ্রবা মতুংদনা হেন্না ময়েক শেংলক্লি। লমদম অসিগী মীয়াম্নু অপংবা শীরগা নীংতম্বা মালহনবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা খুৎলায়দি মীখল অসিনি। শেল অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী কুম্মৈ-মীখলনা লমদম অসিগী মীয়াম চহী ৫/৫ য়াই থাদুনা অনম-অহা চুহল্লগা থল্লি। মতম খরগী অৱাইবা পাঙ্গল ফংনবা হোৎনবদা লুচিংবা শাবা শেঞ্জাও পায়বশিংনা কংলৈপাকপু অমুক হন্না শেমগৎপা য়াররোইদবা মওংদা পুদুনা চৎলি। দ্রগ লান্না শীজিন্নবদি লায়েংদুনা ফহনবা য়াই। অৱাইবা পাঙ্গল ফংনবা লালগী মীখলদা লাইমিং লৌখ্রবশিংদি লায়েংনবা পাম্বে লৈতে। মীখলদা শোয়দুনা পাঙ্গল পায়নবা শেল অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী মথক্তা মীতোপকী মহুম শাবীদুনা লমদম অসি মাঙহল্লি। মসি মীখল মায় পাক্লবা কংলৈপাকপু মীতোপ্তা চঙজবগী খুদমনি। লমদম অসি মীতোপ্না লাঙ্গৌই চনখ্রবদা নীংতম ঈহৌনা কয়া কুইনা চৎপা ঙমগনি হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরক্লি হায়রি।

বৃটিশকী মতমদগী হেন্না ফীভম শোকচিনবদৌনা তৌরক্লবা চীং-তমগী মরী চেৎশিনহনবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না অহানবদা তৌগদবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু চীং-তমগী মরী অসি মীখলনা হেন্না শোকচিলহল্লি। চীংগী ঈহৌ তৌবা লুচিংবশিং চৈরগা তম্পাক্কী ভোট ফংনবা হোৎনবা, চীংগী লুচিংবা শাবশিংনা তম্মী চৈরগা মীখল মায় পাক্লবা হোৎনবা লিশাং শিংনা চথুরক্লিবা মীখলগী থৌশিলনি। মসিগী মহয় ওইনা হৌরক্লিবা চীংমী-তম্মীগী নহারোলশিং অমনা অমদা থাজনদবা, ফি শেম্নদুনা শয়েং-পাম্বোম ঙান্নবগী ফীভম অমা শেমগৎলক্লি। মসি ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী মীখলনা পীবা অচৌবা চৈথেং অমনি হায়রি।

ঙসিদি লৈবাক মীয়ামগীনি হায়দুনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা চেন চোংলম্বা কয়া মীখলগী হাইগৎলাংদা থুখ্রে হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়, মীখলগী হাইগৎলাংদা থুখ্রবা লমদম অসিগী মীয়াম অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসি অৱাইবদি নত্তে। অদুবু তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমদি ওইরি। মরমদি কংলৈপাক অতৈগী খূৎতা লোইরোই, মীখলগী খূৎতা লোইগনি হায়রি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা, কুমশিং ১৯৭২দগী হৌজিক ফাওবদা মীখল থেংনদুনা পাঙ্গল পায়খ্রবা লুচিংবা শাবশিংগী ৱাখলদা মরমদম করম্না থমগনি হায়বগী অশানবা মীৎয়েং য়াওদে। মখোয়গী পান্দম লৈতে। করিগুম্বা অশানবা মীৎয়েং য়াওরবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লোই। মরমদি লৈঙাকলোনগী য়াংলেন শরু ওইরিবা কন্সটিট্যুসনদা অমদি অতৈ থৌশিলশিংদা মদুগী মফম লৈতে। অদুনা মখোয় মতম চুপ্পদা পান্দম লৈতবা খোঙচৎ অমদা চৎলি। মীয়ামসু অচুম-অরান থিদনা মখোয়না হুমদুনা পুরি। লমথুংফম লৈরোইদবা খোঙচৎ অমদা মতম অমসুং পাঙ্গল শীজিন্নরগা মীয়াম্নু অরানবা লম্বীদা পুরিবা মীখলদগী মীয়াম কনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা হায়, মীয়াম্না মনীং তম্না খঞ্জবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা লৈঙাক্কী মায়খুম চেৎনা থম্নবা লুচিংবা শাবশিংনা অরৈবা পাম্বে শীজিন্নবা খুন্নাই অসিদা উরি। মীখলদা শেনয়াম চাইবা অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা মীয়াম তাওহল্লগা মহাম তাবা খুন্নাই ওইহন্নবা হোৎনরি। লাইনীং অমসুং চৎনবীগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা ফাওবা মীখলগী হু কামশিল্লি। হৌজিক্তি মীয়াম পূম্নমক্তা হু কামশিন্দুনা মীখলগী চাইগোইনুংদগী নান্থোকপা ঙমদ্রবা খুন্নাই অমা শেমগৎলক্লে হায়রি।

নীংতম্বা, পূন্না হিংমিন্নবা, পূন্না থেংনমিন্নবা, পূন্না কথোকমিন্নবগী ৱাখল অমসুং ৱারী লাপ্পা লংথোকখ্রগা, মীরেপ-মীখল, শেল, ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ৱারীনা নমথবীরবা ফুরুপসিগী ৱারী ওইহল্লে হায়রি।

লৈবাক অমা লৈরবদি লৈবাক অদুগী তোপ-তোপ্পা মশক থোকপা চাওখৎ-থৌরাংগী থৌশিল লৈফম থোকই। মীয়াম নীংথিনা হিংবা, খুয়া তুশিংনা শিবা ফংনবা অমসুং মীরোল কয়া তুং কোয়না হিংবা ঙম্নবা মালেম লৈশা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা পোথোক-পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি নীংতম্বা লৈবাক অমগী তৌফম থোকপা থবকনি। অদুবু কুমসিং ১৯৪৯দগী ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিদা করম্বা লেঙদবা মশক থোকপা থবক তৌখ্রবগে হায়না হংবদা পাউখুম লৈতে। মৈ-ঈশিং, লম্বী-থোং, লৈঙাক্কী থবক হাপ্পা, থাগী খূৎশুমল পীবনচিংবা অসিদি মশক থোকপা থবক নত্তে। লৈঙাক অমগী তৌফম থোকপনি। লমদম অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক করি তৌখ্রবগে হায়বদি ফৌ পুথোক্লিবা লৈহাও লৈবা লৌবুকশিংদা চেক্কোন শাজিনবা, নূঙ তকখায়ফম শেমগৎপা, শেঞ্জাও পায়বশিংগী পোথাফম অমসুং শানৈ য়ুনৈফম শাজিনবা অসিনি হায়রি।

লম হায়বসি লৈবাক অমা শেমগৎপদা চঙদবা য়াদ্রবা মচাক ওইবগুম্না চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদসু চঙদবা য়াদে। অদুবু লৈহাও লৈখ্রবা লমদম অসি করম্না শীজিন্নগনি হায়বগী চপ চাবা থৌশিল লৈতে। লমগী অহোংবা পুরক্লবা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতনা অকনবা ঈহৌ তৌরম্মী। অদুবু মদু মায় পাকপদি ঙমখিদে। কংলৈপাক্কী লৌ উবা য়াবা লমশিং অসি মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, লোয়শঙগী মকোকশিং, লোনা য়াদবা অরোনবা লল্লোন ইতিক তৌবশিং, মখোয় শেঞ্জাও পায়বা মীওই খুজোক খরগী খূত্তা লৈখ্রে। লৌমী অয়াম্বা মশাগী লৌ উনবা লম লৈতে, তাংলগা উবনা অয়াম্বনি। অশেংবা মরুপনা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎলিবনি হায়দুনা লৈহাও লৈবা লৌবুক কয়া অমুক হন্না পোথোক পুথোকপা য়ারোইদবা মওংদা শেমজিন শাজিনখ্রে। মসি থিংনবা লো শেন্নবসু থিংবা ঙমদে। মরমদি লৌপু অয়াম্বনা লো শেন্নিবশিং নৎত্রগা লো শেম্বশিংবু হুমদুনা পুবা ঙম্বশিংনি। চীংগী লম মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙম্বগী পাঙ্গল নিংথিনা লৈতে। মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট, ১৯৬০ অমসুং কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১সীনা শিংচেপ ওইরগা চীং-তম অনীগী মরক্তা অচৌবা শম্বল খাদুনা থল্লি। মসিনা চীং তমগী অপূনবা শক্তম, পাঙ্গল শাগৎপদা খুরৌ ওইহল্লি। চীংনা অমা, তম্না অমা, তোঙান তোঙানবা ৱাখল খলহল্লি। মচেৎ মকায়গী ৱাখল খলহন্দুনা পূন্না হিংমিন্নবা, পূন্না চাওখৎমিন্নবা, পূন্না থেংনমিন্নবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙমহন্দে হায়রি।

চাওখৎ-থৌরাং অমদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগী মীংদা অকোয়বগী ফীভম লেপ্তুনা মাঙহল্লকপদগী হান্না লৈজরম্বা শেন্মীৎলোনগী ফীভম হেন্না শোকহল্লে, মসিনা ইরৈবাক্কী তোপ-তোপ্পা ফুরুপকী শক্তম মাঙহনবতা নত্তনা থৌওং অসিনা কংলৈচাশিং মশাগী শক্তম ঙাক্না কয়াম কুইনা হিংবা ঙমখিগদগে হায়বা ৱাহং লাক্লে। দিভেলপমেন্ট য়াওদনা লমদম অমা চাওখৎপা ওইথোক্তে। অদুবু ঐখোয়না চেকশিন্না য়েংদবা য়াদ্রিবদি হিন্দুস্থাননা দিভেলপমেন্টগী মীংদা ইরৈবাক্কী লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন অমসুং শেন্মীৎলোন্দা চথুরক্লিবা অরোনবা লান্দা (হিদ্দন এগ্রিসন) অসিনি। কংলৈপাক্তি লৌউ-শিংউবা লমদমনি। লৈবাক অসিগী ইকোনোমি অপূম্বা লৌউ-শিংউগী পোথোক্লা য়ুম্ফম ওইবনি। লৈবাকসিগী শেন্মীৎলোনগী পুৱারীগী মীৎয়েংদগীদি অঙনবা মতমদগী হৌরগা নীংতম্লিঙৈ ফাওবদা কংলৈপাক্কী লৌউ-শিংউগী পোথোক্লা মশাগী শীজিন্নবা কোন্নজবতা নত্তনা অরেম্বশিং য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা থাদোক্লম্মী। অদুবু কুমসিং ১৯৮৩দগী কম্মিসন তৌখিবা লোক্তাক প্রোজেক্টকী ইথাই বরাজ গী ঈশিংনা লৌফম হেক্টর ৮৩,৪৫০ রোম থুমজিনখিবদগী ঙসিদি কংলৈপাক্কী মীয়াম চিঞ্জাক্তা মীপান তাংনা হিংহল্লে। মসিনা ইরৈবাক্কী শেনবালোন্দা শাথীনা শোকহনবতা নত্তনা খুন্নাইলোন অমসুং লৈঙাকলোন্দসু অচৌবা চৈথেং পীরক্তুনা লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তম্নুসু কাং-খোং চাইহল্লে হায়রি।

লোক্তাক প্রোজেক্ট অসি কংলৈপাক্কী ওইনদি মাঙজবগী মাঙজবা ঙাক্তনি। কুমসিং ২০১৪গী মমাঙ ফাওবদা প্রোজেক্ট অসিদগী পুথোরকপা ইলেক্ট্রিক য়োল্লগা কারকপা শেনফম অসিদি চহী অমদা শুপ্পগী লুপা ক্রোর ২১ খক্তনি, অদুগা মনা-মশিং য়াওনা প্রোজেক্ট অসিগী ঈশিংনা মাঙহল্লিবা লৌউ-শিংউগী পোথোক অসিদি চহী অমদা লুপা ক্রোর ১০০ রোমনি। থৌওং অসি কংলৈচাশিংগী মফমদদি ইপা-ইপুগী পাউরৌ - 'কোর্ফু কায়থোক্লগা তুম্বা লেপ্পা' হায়বদুনি। লোক্তাক প্রোজেক্ট লিংখিবগী হিন্দুস্থাননগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি লমদমসিগী মীপান তাংদনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ইকোনোমি মুথৎলগা কংলৈপাকপু মতম চুপ্পগী হিন্দুস্থাননগী লোই কৈথেল (কেপটিভ মার্কেট) ওইহন্নবনি হায়বসিদি ময়েক শেংলে। ৱাফমসিদা থোরক্লিবা ৱাহংদি লমদমসিগী মীয়ামগী মীহুৎনি হায়জরিবা লুচিংবা শাবশিংনা ৱাফমসি করিগী মাঙজৌননা নৈনহৌদনা কমদৌনা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবগী অয়াবা পীখিবনো হায়বসিনি হায়রি।

লৌমীশিংগী মফমদদি মখোয়গী লৌবুক্তা ইলেক্ট্রিককা ওন্নবা য়াবা নত্তে। থৌওং অসিনা লমদম অসিগী লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন অমদি অকোয়বগী ফীভমগী শক্তম মাঙহল্লে। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি মীয়ামগী চাকখাও ফোইদৎলগা মীয়াম্নু চাকনিবা ওইহন্নবা অমসুং লোইলম মরা চেৎশিনহন্নবনি। ইথাই বরাজনা থোকহল্লকপা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাওনা শেল থুম অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা শাথীনা শোকহনবদগী খাংঙমদবা অৱা চৈথেং নংলবা মীয়াম্না বরাজ অসি লৌথোকপীখ্রো হায়না মতম কয়াগী মমাঙদগী দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অসিসু হিন্দুস্থান লৈঙাক্না নমশিন্দুনা থল্লক্লি। ফীভম অসি মীয়াম্না অথুবদা মায়োক্নহৌদ্রবদি মীয়ামগী শেল থুমগী শক্তম মাঙখিবতা নত্তনা ফুরুপকী মীয়ামগী শক্তমসু মাঙখ্রগনি। মীয়ামগী খ্বাইদগী অতাঙবা পোৎশক ওইরিবদি মরৈবাক নুংশিবগী ৱাংনা লৈরম্বা ইহুল অদু তেক্তা কায়দনা থম্বনি। লৈবাকসিদা ফংবা পোৎ চৈতনা মীয়ামগী পুন্সি হিংনরম্মী। মতম অমদা লৌবুক্তগী থোরকপা মহৈ-মরোংনা মীয়াম হিংনরম্বনা ঐখোয়গী মীৎয়েং পূম্নমক লৌবুক্তা ওইরম্বদু ঙসিদি হিংনবগী লম্বী পূম্নমক মুথৎখিবদগী মপান্দগী হায়ৱেদা পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা ওইনা মীৎয়েং থম্নরক্লে। ত্রেন য়ৌরক্লিবা, শেমগৎলিবা হায়ৱে পূম্নমক মীয়ামগী য়াইফনবা নত্তে, য়েলহৌমীগী লৈথক-লৈখাগী অমসুং উমংগী পোথোক পূম্নমক হিন্দুস্থানদা পুথোকখিবা য়ানবনি। পায়খৎলিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পূম্নমক মখোয়গী কান্নবা য়েংলগনি হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তানা হায়, নীংতম্বা লৈবাক অমা শেম্বদা চঙবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক্তি মী অমসুং লমনি। মী লৈরগা লম লৈতবা য়ারোই। লম লৈরগা মী লৈতবসু য়ারোই। অদুবু মী লৈরবদি মতমগী মতুংইন্না লম লৈরকপা য়াই। ইজরেলনা মসিগী খুদমনি। ঐগী লম অমসুং মীগী মরমদা কুপ্পা খঙদনা মালেমগী অচৌবা অওনবা পুরকখিবা থিওরিগী অতাবা লাইরিক চিনফা পুবনা পান্দম ফংবা ঙল্লোই। ঙসিদি লমদম অসিদা মপূং ওইবা ঈহৌগী মাঙজিন থাগদবা অমসুং হেন্না কথোক্লগদবা য়েলহৌমীগী মশীং অকিবা ফংনা হন্থরক্লি। লৈবাক্কী পাঙ্গল পূম্নমক্কী হৌরকফম, তুংনফম ওইরিবা মীশিং হন্থরকপা থিংনবা থবক পায়খৎতে। মসিনা ঙসিদি পাঙ্গল য়াওদ্রবা ফুরুপ ওইহল্লে। লমদম অসিগী মীয়াম্না কমদৌনা খুন্দারিবগে, কয়া য়াম্না অহোংবা লাক্লবগে হায়বা থিজিনদে। হিন্দুস্থাননা লৌশিনখ্রবা মতুংদা পায়খৎলকপা য়াইফ-য়ুম্বালগী থৌশিলনা মোংফম তৌজরবা খুন্নাই ওইরক্লি। মচেৎ মকায়দা য়ুম্ফম ওইবা পুৱারী শেমগৎতুনা কাঙলুপ-কাঙলুপ খাইদোক্তুনা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎপা ঙমহন্দবা হায়বসি হৌজিক্কী কংলৈ ফুরুপকী লাইচৎনি। কাঙলুপ-কাঙলুপ শেমদুনা পুৱারীগী য়ুম্ফম অমমম খাঙুথক্তা শেমদুনা মদুগা লোয়নবা মচেৎ-মকায়গী লৈঙাকলোন তৌনরকপা মতম কুইরে। মসিনা লমদম অসি পুনশিনবা য়াদবা লৈঙাকলোন থোকহল্লি। অসিগুম্বা লৈঙাকলোন, পন্থুং লৈতবা মীখল অমসুং মসিগা লোয়নবা দ্রগকী অচৌবা খূৎপুগী ৱাথোক পূম্নমক কুমসিং ১৯৮০দগী ২০০০ ফাওবদা মীয়ামগী নাকোংদা নীংতম লালগী নোংমৈ মখোল য়াম্না তারিঙৈদদি মরাই কাঙবা ঙমখিদে হায়রি। -মথং-মথং